# মঙলাল য়াওদনা পন্থুং

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

পুন্সিগী ঈচেলদা পুন্সিগী হিনাওনা করম্বা তোর্ব্বান্দা থুংলুগনি তম্বা ঙমদে। অদুবু য়ারিবমখৈদি ইশা ইশানা পুন্সিগী হিনাওবু অচৌবা মঙলাল অমগা লোয়নননা নিংথিনা মমায় চুমদুনা য়ৌনীংবা তোর্ব্বান লোমদা হোনবদি মথৌ য়াম্না তাই। পুন্সিগী হিনাওনা চেন্থনীংবা মায়কৈদা অসুম চৎকনি, তাওথগনি খন্দুনা পুন্সিগী হিনাওবু মমায় চুমদবদি য়ৌনীংবা পন্থুং খক য়ৌবা ঙল্লোই।

মালেমগী মমিং লৈরবা অমদি চাউর-চাউরবা, মায় পাক্কবা মীওই কয়া মখোয় মশা মশানা কন্না হোৎনজদুনা মখোয় মখোয়গী পুন্সিগী হিনাওবু য়ৌনীংবা, থুংনীংবা পন্থুং তম্না হোনখিবা ঙাক্তনি। হোয় মায়থীখ্রবা মীওই কয়া অমসু কন্না হোৎন-হোৎননা মায়থীবা নংখিবা য়াওদবা নত্তে। কন্না হোৎন-হোৎননা পুন্সিদা মায়থীবা নংলবদি হোৎনদবা মীওইদি করি ওইগনি। হোৎনদবা মীদি মমা-মপানা চাউনা কৈরাক থাবীরল্লবসু অদুম লোইশিনখিগনি থম্বীরল্লিবা লন-থুম পূম্নমক।

ঙসি ওইরিবা মালেমগী ফীভম, হায়বদি কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা পীরিবা অকনবা চৈথেং ফংলবা মফম কয়াদদি য়াম্না নীংবা কায়নীংঙাই ওইনা হিংনরিবনি মীওই কয়া, ইমুং কয়া। অপিকপা, অশোনবা, লায়রবা মফমশিং অমদি লৈবাকশিংদি থম্মু থমখিসি, সুপর পৱাননি হায়না লৌনরিবা য়ু এস এদা ঙসি মীওই কয়া কয়া, ইমুং কয়া কয়া শেল লৈতবনা, থবক শুনীংঙাই লৈতবনা খম থেংনা ৱাবা হায়বদো থোক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঐখোয়গী লায়রখ্রবা, লৈঙাক্লা অমদি মপি মপাশিং, লুচিংবশিংনসু মথৌ নিংথিনা তৌবীদবা ইরমদম কংলৈপাক্কী ইরৈচাশিংদি করম্না হিংগদৌরিবা।

অসিগুম্বা ফীভম অসিদনি ঐখোয়না হেন্না থৌনা লৈনা লেপ্পগী মথৌ তারিবা। থৌনা লৈনা লেপ্পা হায়বা অসিদনি পুন্সিদা মঙলাল লৈনা হিংদবা য়ারক্ত্রিবা, মরু ওইনা মহৈরোয়শিং অমদি নহারোলশিং। টাইৱান, সিঙ্গাপোর, জপান, কোরিয়া, য়ু এস এ অমদি অতৈ চাওখৎলবা লৈবাকশিং অসিগী নহারোল অমদি মহৈরোয়শিংদি মপা মপুনা কৈরাক ৱাংনা থাবীরম্বনা থোইদোক্লা ৱানীংঙাই লৈতে। ইচম চম্বা খুদম অমা পঞ্জরবদা টাইৱান্দা লৈরিবা মহৈরোয় অমদি নহারোলশিংসি থবক ফংলোই হায়বগী অৱাবা ৱাখল মখোয়দা লৈতে থোইদোক্লা। করিগী শেল থোকপা য়াবা থবক ফংবদা লায়না থোকপনা। মীৎ-না শোয়দ্রবা, ৱাখল নিংথিনা খনবা ঙম্বা মহৈরোয় অমা পার্ট-টাইম থবক থিবা মতমদা অমা নৎত্রগা অমদি অদুম ফংই মহৈ তম্না তম্না। সিসু টাইৱান্দা শেল থুমগী ফীভমসি য়াম্না ফৎত্রে হায়না লৌরিবা মতম অসিদনি। টাইৱান্দা অপূনবা থবক ফংদবগী ফীভমসি চাদা ৪গী মখাদা লৈ (less than 4%). হায়বদি থবক শুবা য়ারবা চহীগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা থবক ফংদবসি য়াম্না নেম্না লৈ হায়বনি। চহী ১৬তগীনা ৬২ মখাদা লৈবা মীওইশিংদি থবক শুনীংলবদি থবক অদুম ফংই হায়বনি। মরম অসিনা টাইৱানগী নহারোল অমদি মহৈরোয়শিং অসিগী মফমদা থবক ফংগনি ফংলোই হায়বগী অৱাবা ৱাখল লৈতে।

অদুবু ইরমদম কংলৈপাক্তদি মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লৈরিবনি, হায়বদি ইমুং অমদা শেল নিংথিনা থোকপা থবক তৌবসি অসুক্কী মতিক নেম্না লৈরি। টাইৱান্দা মীওই ৪ লৈবা ইমুং অমদা শেল থোকপা থবক তৌবসি য়ামদ্রবদা মীওই অনী নৎত্রগা অহুমনি। মীওই মরি লৈবদা মমা-মপা অনীমক মপূং ওইবা শেল থোকপা থবক তৌই। থবক তৌদ্রিবা অসিনা চহী ১৬কী মখাদা লৈবা মহৈরোয়নি। মখোয়সু চহী ১৬কী মথক্তা লৈরবদি পার্ট-টাইম থবক তৌদুনা মশা মশাবু শৌগৎচবা য়াই নৎত্রগা মমা-মপাবু মতেং পাংবা য়াই মখোয়না তাল্লকপা শেল খরদুনা। টাইৱান্দা মহৈরোয়শিংনা পার্ট-টাইম থবক শুবগী শেনফমসি পুং অমদা খ্বাইদগী পিকপদা লুপা ৪১২ মুকনি। মহৈরোয় অমনা নোংমদা পুং মরি-মরি শুরবদি চয়োল অমদা পূন্না লুপা লিশীং ১৭ হেন্না তাল্লি। মসিগী শেনফম অসিনসু ইমুং মনুংগী শেন্মীৎলোন্দা য়াম্না অচৌবা মতেং ওইরিবনি।

অদুবু ইরমদম কংলৈপাক্তদি কদাই। ইমুং অমদা মীওই অমা ফাওবা শেল নিংথিনা থোকপা থবক তৌগে ফংদ্রি। মহৈরোয়শিংদি থম্মু থমখিসি। মমা-মপা ওইরিবা কয়ানা ইমুং চাকখুম মৈ মুত্তনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরিবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মতৌ করম্না মাঙদা চঙশিনবা ঙমগদৌরিবনো হায়বসিগী পাউখুমনি ঐহাক্লা থমজরিবা মতাংসিদা।

লোইশিল্লকপদা, সিগুম্লবা ৱারবা ফীভম অসিদা মাঙদা চঙশিনগে, পুন্সিদা মায় পাক্কে হায়রবদি পুন্সিদা মঙলাল থম্বা য়াম্না মথৌ তাই। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা কিদুনা নীংবা কায়রে, মায়থীরে হায়না লৈথোক্লবদি হেন্না অৱাফমদা তাদুনা হৌগৎপা অমুক ঙম্লরোই। মরম অসিনা ঐহাক ঙমগনি হায়বা ৱাখল্লোল থমদুনা পুন্সিদা মঙলাল অমা অনী থমদুনা পুন্সিগী পন্থুং য়ৌনবা হোৎনবা মথৌ তাই। করিগীদমক মঙলাল থম্বা মথৌ তারিবনো হায়রগদি ঐখোয়গী মঙলাল অসি পেট্রোলগুম্বনি। পেট্রোল য়াওদনা গাড়ী থৌবা য়াদবগুম মঙলাল য়াওদনা পুন্সিগী হিনাও হোনবা য়ারোই। গাড়ী তোংদুনা অরাপ্পা পন্থুং অমা য়ৌগে হায়রবদি পেট্রোল মরাং কায়না হাপচিন্দুনা থৌবা মথৌ তাবগুম অচৌবা, মপূং ফাবা মঙলাল থমদুনা পুন্সিগী হিনাও হোনগদবনি। পুন্সিগী ঈচেলদা অসুম তাওথগনি হায়না লৈবনদি য়ৌনীংবা পন্থুং য়ৌবা ঙল্লোই। মীওই কয়া অমনা য়ৌনীংবা পন্থুং য়ৌদনা পুন্সিদা মায়থীবা নংলিবসি মঙলাল য়াওদবগীনি। মসি হায় হায়দুনা অতোপ্পনা তৌবা থবক্তুদা মঙলাল থমসি হায়বসু নত্তে। ইশা ইশাগা চান্নবা, ইশানা ঙমগনি খঞ্জবা মঙলাল অদুবুনি ঐখোয়না থমগদবা মঙলালদি। ওইরোইদৌবা মঙলালদি মঙলুদবনা হেন্না ফগনি, মতম মাঙনবনি। কংলৈপাক্তা লৈবা পোলিটিসিয়ন অমনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর

ওইগে হায়বগী মঙলাল থল্লবদি মঙলাল অদু ওইথোকপা য়াদবা মঙলাল ওইগনি। ওইথোক্কদবা মঙলাল থমদুনা পুন্সিগী পন্থুং য়ৌনবা পুন্সিগী হিনাও হোন্থমিন্নরসি। য়াইফরে! ●

# মণিপুরী সিনেমা হোল মিরাং থুবসি লাইবক্তা তাইনগদৌরিব্রা?

**- এম এস মঙাং -**

পূক্লিং নুংশিবা পোকপা মতাং হায়বদো হেক ওইরে। মালেমগী থাক্তা অচৌবা ফিদা কন্দুনা লাক্লিবা মণিপুরী সিনেমা তুম্বা অহোবদা ঈশিং হৈবগুম কদোমদনোমা ইহো হোবগুম ইথন হেক থল্লু য়াদবগুম তৌরে। "ইমাগী নিংথেম" Golden Montgolfiere, Nantes (1982), National Film Award for Best Feature Film in Manipuri/Meitei Language, 29th National Film Awards ফংলকখিবদা নত্তনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মণিপুরী সিনেমাগী মশক তাকখিবা ব্লেক এন্দ হ্বাইটকী ফিল্ম অমখকনি। মতম অদুদা বোল্লিৰুদকী মচিন তুমখৎলকপা শরুক্লা সনালৈবাক অসিদা থিনবদগী চৈথেং য়ৌনা ফংলকপা মতমনি হায়বদা থোইদোক্লা লাল্লোইদ্রা নীংই। মতম অসিদা মালেমগী ফিদাদা মখৌ পোঙনা ফল্লল্লবা ফিদা অমবু করম্না ঙসিগী 7D technology মতমসিদা হেক হেক থিবা ফংদ্রিবসি করিগীনো? মীয়াম্না হংদুনা লাকপা ৱাহংনি, হৌজিকসু অমুক হংলি...!

ঙসিদগী চহী ২০গী মমাঙদা লৈরম্বা ঈচেলদুগা হৌজিক হৌজিক চৎলিবা ঈচেল অসিগা অহোংবদি অদুক্কী মতিক লৈরে। মণিপুরী সিনেমাগী মশক মতৌ মণিপুর অমদি নন-মণিপুরীশিংগী ৱাখলদা চুহনবা ঙল্লে। মসিমক্লা মায় পাকপা ওইরব্রা হায়রগদি - শরুক খরা খরা য়াম ৱানা হোৎনদুনা ঙমজরে হায়বসি মঙাইরে পাউখুমদি। পেন্নীংঙাই ওইরব্রা অমুক্কা হংলক্লগদি খরা কুপথনা নৈনমিন্নসি পাউখুম খরমখৈ থোরক্কনি খল্লি। বোল্লিৰুদকী অকনবা শাফুনা হুমদুনা পুখিগদ্রা হায়না মীপাইনরম্বদগী য়াম ৱানা হোৎনজদুনা কনবা ঙমহৌরগসু ঐখোয়না হোৎনবা লেপ্পা চুমলোই মরমদি মণিপুরী সিনেমা হোল কয়া অমদি হীদাক তৌগে হায়দনা থিবদা ফংদদনা অদুমক থিখিদবা য়াওরে, লোয়নননা অয়াম্বা সিনেমা হোলশিংদি মিরাং থুদুনা মমিংগী লৈরি হায়বদু ওইরে। মসিমক চহী ১০-১৫গী মমাঙদা লৈখিবা হোল অদুগা থোইদোক্লা খেন্নবা উবা ফংদে। মতমগী অহোংবদি হোংবা লেপ্পে অদুবু হোংহন্নীংবা হোলদুদি ফমদুনা অহোংবা য়েংদুনা লৈরে। খুদোংচাদবা কয়া লৈরম্বদি য়াই অদুবু মণিপুরী সিনেমা চাওখৎহনসি হায়রগদি ফিল্ম মশীং য়াম্বদা চাওখৎপনা য়ারোই। সিনেমা হোলশিংদা ফিল্ম য়েংবগী নুংঙাইবা হেল্লিমখৈ ফিল্মগী মগুন, মহাউ ইন্দুনা চৎকদবনি। তোঙান তোঙানবা টেক্নোলোজিশিং, স্মার্ট ফোনদা ইরায় লায়না য়েংবা য়ারবনিনা সিনেমা হোল লৈত্রবসু য়ারে হায়রগদি মদু অশোয়বা য়াম্না লানবা ওইগনি। সিনেমা হোল অমদি স্মার্ট ফোনদা ফিল্ম য়েংবদা য়েংলিবা ফিল্মদুমদি মানরম্বা য়াই অদুবু য়েংফম অনীসিগী তোঙানবা মহাউ, ইমোসনেল এটেচ ওইবদি তোঙানগনি, মসিগী তোঙান তোঙানবা নুংশিবা ৱারী লৈফম থোকই। লৌ উরিবা লৌমী খুদিংমক ফৌ লৈবা ঙমদবগী লৌ উবদি নত্তে, লৌ উবদা থাদরিবা শেলদুনা থোক্লক্লিবা পোথোক্তগী হেন্না চঙখ্রবসু ৱাখলদা, পূক্লিংদা নুংঙাইতবা পোক্তে। মসিগী খেন্নবা ৱাখলদা নুংঙাইজবদুনি থমজনীংলিবদি।

মতাংসিদগী খজিক্তং থৈদোরক্লবদা মণিপুরী ফিল্ম থৱায় হাপ্পীরিবা ফিল্মরোয়শিংনা ইথিক্স ঙাক্লা, পামজনা তৌহঞ্জনীংই। পৈশা পায়রে হায়দুনা, করিগুম্বা খুদোংচাবা, অপাম্বা খরা ফংনবগীদমক ফিল্ম তৌবীগনু। চাবা তুম্নবা নুমিদাং ৱাক আউট তৌবদুমাইনা মণিপুরী ফিল্মবু উবীগনু। কংলৈপাক (মণিপুর) হায়রকপা মতমদা ঐখোয়গী আর্ট অমসুং কলচর মাঙ থাদুনা লাক্কনি। মসিবু ময়াম মাঙদা মাঙথোকপীগনু। প্রোফেসনেল ইথিক্স ঙাক্লবগীদমক প্রোফেসনেল ফিল্ম মেকর মরু ওইব্রা লৌজৈ। মমিংগী রেগ্যুলেট তৌদনা মমিংগী ফিল্ম মেকর মশীং য়াল্লকপনা মশীংদদি য়ামখিবা য়াই অদুবু মদুনা অমুক ঈরাং থোক্তুনা ফিল্ম থিংবীগে হায়রক্কনি। মৈতৈগী পাউরৌদা "হুইনাও মশীং থিবা চৎপগী" ৱারী তাদুনা তোক্কনি। মশীং য়ামজদবা ফুরুপ ঐখোয়গীদা মগুন লৈবা ভিদিও ফিল্ম পুথোকপা তঙাইফদব্রা লৌই। শেল য়াম্না চঙহন্দনা ফজরবা ফিল্ম পুথোকপা হায়বসিসু অরাইবা থবক অমদি নত্তে। অদুমকপু ঐখোয়দা পুথোকপা ঙম্বগী গুন লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিং অমদি হৌজিক হৌজিক হৌরক্লিবা ময়ামদা অদুমক লৈরি। মালেমগী থাক্তা চাং তাদনা পুথোকপা ঙল্লোইদবসু নত্তে। অদুমকপু হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা মপূং ওইবা খুরৌদি ঐখোয়গী খঙ হৈরবা - learned, intellectual কয়া থোরকপা তন্দুনা লোৎতুনা লৈখ্রে। মখোয়গী তোঙান তোঙানবা মরম লৈরম্বা য়াই মসি থিদোক্তুনা পুথোকপীবা মতম ওইরে। নৎত্রবদি ঐখোয় পূম্বগী অমাঙবা ওইহৌরনি। তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্ট অমদি নন গভর্ণমেন্টেল ওথোরিটি কয়াদি লৈরে। লৈরিবা ময়ামশিং অসিনা হীরম অসিদা হেন্না কুপশিনবীদুনা থবক থৌরম কয়াদা নৈনহন্নীংই। আর্টিষ্টশিং অমদি ফিল্মগা মরী লৈননা চৎমিন্নরিবা মীওই খুদিংমকপু ঙাকপী শেনবীবা অমা চঙই। ওনশিন্দুনা চাশিনবগী মহুত্তা হৌগৎপীবা তঙাইফদ্রে।

হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা অতেনবা মতমদা তৌহঞ্জনীংলিবদি মণিপুরদা লৈরিবা সিনেমা হোলশিং অসি মতমগা চানবা মওংদা অপগ্রেদ তৌদবা শুংয়ামক য়াররোই। সিনেমা হোল মিরাং থুবা অসিদা অনৌবা ফিল্ম নুংঙাই-নুংঙাইবা কয়া উৎতুনসু মী মশীং নোংম-নোংমগী হন্থরক্কনি। মদু ফিল্ম য়োকখৎপনি হায়না লৌরোই, সিনেমা হোল মশীং হন্থহন্নবা হোৎনবনি হায়না লৌগনি। মতমগা চাননা য়োকখৎপা হায়বসিদা পাল্লিবা লৈঙাকসিনা অচৌবা খূৎ য়াওবীরগদি থোইদোক্লা অরুবা ওইরোইদ্রা নীংই। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মতেং লৌদুনা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া কূপ্না লৈরিবা ওর্গনাইজেসন অমদি দিপার্টমেন্টশিংনা হোল চলাইরিবা মীওইশিংদা মতেং পাংলগদি কান্নবসি নাকল অমখক্কী ওইরোই পূম্নমক্কী ওইগনি। হীরম অসিদা শেল থাদবদা চিংননীংঙাই ওইরোইদ্রা খঞ্জে। লম্মাং অমা য়েংনবগীদমক কিলোমিটর ২০-৩০ মতম মাঙনা, শেল তিংনা চৎপা ঙম্বা ইরমদমসিদা ফিল্ম অমা নুংঙাইনা পুং ৩গী লুপা ২০০-৩০০ তিংলগা ফিল্ম য়েংবদা পাম্মুগনি হায়বদি থাজদে। ফিল্ম মেকরশিংনা মতম খরদংগী আর্টিষ্ট শেন্বীগনু তুং কোইনা থক-খা, ওজা-গুরু নাইনা তম্বীয়ু।

বডজেট অপিকপা শেল য়াম্না তানবা, ময়াম্না পাম্না য়েংনখিবা তোঙান তোঙানবা ফিল্মশিং খরদং নৈনবসু চুমগনি। লোয়নননা ফিল্ম মেকরশিংগী থৌনা ওইগনি লৌই।

| Film | Budget | Gross Collection | |
|---|---|---|---|
| Submarine (2010) | $1.5 Million | $3.8 Million | Hollywood |
| Bheja Fry (2007) | Rs.60 Lakh | Rs.8 Crores | Bollywood |
| Vicky Donor (2012) | Rs. 5 Crores | Rs.66.32 Crores | Bollywood |
| C/O Kacharapalem (2018) | Rs.50 Lakhs | Rs. 7 Crores | Telugu |
| Bichagadu (2018) | Rs. 50 Lakhs | Rs. 5 Crores | Telugu |
| Paan Singh Tomar (2010) | Rs. 4.5 Crores | Rs. 19 Crores | Bollywood |
| Love, Sex Aur Dhoka (2010) | Rs. 4.5 Crores | Rs. 12 Crores | Bollywood |

মথক্তা থমজরিবা টেবলসিনা ঐখোয়না নৈনবা য়ারিসি অপিকপা বডজেটতা মগুন লৈবা ফিল্ম পুথোক্লগদি লোনগী, চৎনবীগী করিসু খেন্নবা লৈতে হায়বদুনি। মতাংসিদা Charlie Parker গী "Man, there's no boundary line to art!" থোইদোক্লা লাল্লোইদ্রা খল্লি। লোনগী খুদোংচাদবা লৈতনবা সবটাইটল কম্পলসরি ওইহনবনা অচৌবা মতেং ওইগনি লৌই। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোন পুরকপদা অমদি পুনশিনবদা মণিপুরী সিনেমাগী থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ।

ঐখোয়দি মীশিং য়ামজদবনি, শেল পুথোকপা ঙমজদবনি হায়দুনা লাইগী শোয়দনবা তৌসি হায়না খল্লগদি ফিল্ম তৌবীরনু, শিনফম অমা হোংবীরো। মমিং লৈরবা বোল্লিৰুদ, হোল্লিৰুদ, কোল্লিৰুদকা লম্বা তৌসি হায়জবা নত্তে। ঐখোয়গী অঙম্বা থাক্তা থম্মোয় শেংনা হোৎনমিন্নসি হায়জবনি। অসুম্না মতম খরদং হোৎনবদা মদুগী মহয় লাক্তব্রা য়েংমিন্নসি।

পূম্নমক কোয়দুনা চৎলুরবসু অরোইবদা থমজনীংবদি মণিপুরী সিনেমা হোলগী মশক ফজবা ৱাৎপা, মিরাং থুবসিনা মণিপুরী ফিল্মগী মরাইবক লেপ্পদি লানগনি। ফীভমশিং অসিনা মরম ওইরগা লাক্কদৌরিবা চারোন-শুরোনশিংদা পাড়া অমখক ওইনা নৈনননবগী শরুক অমা ওইহনসি। মসিনা খুমাং চাওখৎনবগী ইনোৎ পীনবা মচৎ ওইহনসি। মালেমগী থাক্তা ঐখোয়গী ফিদা চাউনা কন্দুনা লৈরি; নিংহন্নবা মতম ওইদ্রে। খঙ হৈরবা ওজা, লাইগুল্লবা কয়া থোকপীরক্লো মণিপুরী ফিল্ম হেন্না চাওখৎনবা হোৎনবদা, তৌদবা য়াদ্রবা ইশাগী থৌদাংনি লৌবীরম্মু। তূমিন্না লোৎখিবা তারগদি ঐখোয়গী মাঙজবা, চাওখৎপগী লমজেলদা তুং হন্নবগী লম্বী পীবগা পাঙ্খক ওইগনি। মদুমক্তি তৌবীগনু! ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মণিপুরগী পাৎ ময়াম অমা শেমগৎপদা (ৱেট লেন্দ) কোংবগী হৈগু পাৎসু য়াওবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মালেমনা শাবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলকপগী মতুংইন্না নোং চুবগী চাংসু অসুম হন্থরক্লি। নোং চুবগী চাং হন্থরকপগা লোয়নননা পাৎ, তুরেল নৎত্রগা পুখ্রি লৈতবা মফমদদি নোং তারক্ত্রবা মতমদা ঈশিং চিংনীংঙাই লৈতদুনা শেল য়াম্না চঙনা কুম অমগী পোথোক খরা ফংনবা হোৎনরুবা কয়া শেল অমসুং মতম মাঙদুনা তোকপা কয়া য়াওদবা নত্তে। মসি খরদং ওইরবসু ঈশিং পীবদা মতেং ওইনবা হান্না লৈরম্বা পাৎ, তুরেল কয়া লৈঙাক্লা অখন্নবা প্রোজেক্ট অমা ওইনা পায়খৎলক্লি। মসি পায়খৎলকপনা লৈনবা য়ূম অমদি স্কুল, কোলেজ, ইন্দষ্ট্রি কয়া লিংখৎলকপা অসিনা হান্না লমহাং নৎত্রগা পাৎ ওইরম্বা কয়া ফুনজিনখিবা য়াওদবা নত্তে। অদুম ওইনমক মীওইবা অমসুং থৱায় পানবা শা, ঙানচিংবা কয়া তুং কোইনা হিংবা ঙম্নবগীদমক লৈঙাক্লা লম লৈদুনা নৎত্রগা কম্পেন্সেসন পীদুনা পাৎ নৎত্রগা পুখ্রি তৌদুনা অমদি ট্র্যুব ৱেল হুত্তুনা প্রোজেক্ট অমা ওইনা ইকায়খুম্নজরিবা সী এম বিরেনগী লিচিং মখাদা পায়খৎলকপা অসি তুংগী মীরোলগীদমক অশানবা মীৎয়েং অমনি।

মতাংসিদা পঞ্জনীংবা অমনা কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়গী মহৌশাদগী খাস লেন্দ অমা ওইনা লৈজরক্লবা 'হৈগু পাৎ' অসি লম্বী নাকল অনীগী খায়দোকখ্রগা মনুংদা অশাংবনা ফিট ২০০০ রোম, পাকপনা মনুংদা ফিট ৩৫/৪০ রোম পাকই।

নোং মরাং কায়না তারক্ত্রবা মতমদা লম হেক্টর ১৫ রোম চাউবা গঙ্গাপাত্তা নত্তনা কৈখু কবুই মনিং লৌকোনগী হেক্টর ১৭/১৮ চাউবা লৌকোন অনী অসি পম্পকী মতেংনা ঈশিং চিংদুনা শীজিন্নদুনা লাক্লি। অৱাবদি পাৎ অসি মতম কুইনা তৌদুনা শেন্বীরক্তবদগী য়াম্না থেনগৎলে, ঈশিংগী ভোল্যুমসু য়াম্না কঞ্জ্যুম তৌদুনা থম্বা য়াদ্রে, মরম অদুনা লৌকোন অনী অসিনা ঈশিং চিংনরকপা মতমদা হেক্তা কংখি।

মরম অসিনা পাৎ অসি তৌথোক্তুনা ঈশিং য়োক্লবা ঐখোয়না ইকায়খুম্নজরিবা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ ওইবিরিবা এন ইন্দ্রজিৎতা হায়জখিবসু য়াওখ্রে। মসিদা নত্তনা লৈঙাক অমসুং মরী লৈনবশিংগী নাকোং য়ৌনবগীদমক্তা ৱেট লেন্দ শেম্বদা য়াম্না খুদোংচারবা 'হৈগু (তুরেন) পাৎ' হায়বা ৱারেং অমদি 'অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু' হায়বা অসিসু পাউচেশিংদা ফোঙদোকচখ্রে।

অতোপ্পা অমনা কুমজা ২০১৯ অসি কুম কাংগনি, নোং নিংথিনা তারোই হায়নবা লৈবদগী গঙ্গাপাৎ লৌকোন্দা নত্তনা অকোয়বদা লৈরিবা লৌবুকশিং (১) নহারুপ মনিং লৌবুক (২) কৈখু মুসলিম মনিং মমাং (৩) কৈখু কবুই মমাঙ অমসুং মনিং লৌকোলশিং শীজিন্ননবা ইরিল তুরেলদগী লিফ্‌ট ৱাটর প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপীনবা ইকায়খুম্নজরিবা সী এমদা মীয়ামগী নুমিৎকী খুদোংচাবা লৌজরগা কুমজা ২০১৯গী জুন ২০দা মেমোরেন্দম অমা পীজখি। চে অদু মথং মথং চৎনরবা মতুং এ ঈ য়ৌরগা মথোং মরম খঙদনা লৈখ্রে। মসিনা তোপ্পা থমজরগা, হৌজিক হৌজিক অরিবা পাৎ ময়াম অমা তৌবা নৎত্রগা ট্র্যুব ৱেল কয়া অমা হুত্তুনা লৌমীশিংগী পোথোক শরুক অনী হেন্না পুথোক্কনি হায়বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা লৌবুক্তা ঈশিং পীনবা অকনবা থবক লৌখৎলক্লি। মসিগা মরী লৈননা সী এমনা লৌবুক্তা ঈশিং পীনবা অথেনবা পাৎ তৌথোক্লগা ঈশিং য়োক্লবা পায়খৎলক্লি।

মতাং অসিদা লৌমী লূপকী মেম্বর অমা ওইনা হায়জনীংবদি হৈগু পাৎ মরীল অসিতগা তম্পাক্কী পাৎ কয়া শেমগৎপদা য়াওবীরবদি হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচগনি। হায়রিবা লৌমী লূপকী অপাম্বা অসি নবেম্বর ১৫, ২০১৯দা মীয়ামগী নুমিৎতা মেমোরেন্দম অমা পীদুনা হায়জখিবা লৈখ্রে। পাৎ অসি ফিট ৩/৪ গুম্বদং লুনা তৌথোকপীবা তারবদি চহী চূপ্পা ঈশিং তুংদুনা লৈগনি। ঈশিংবু লৈরবদি লৌ লোকখ্রবা মতুংদা রবি লৌউ তৌদুনা চানবা মফমশিংদা কোবি, হৱাই মঙ্গল, হঙ্গাম, আলুনচিংবা থাদুনা লৌমীশিংগী পোথোক শরুক অনী হেনগৎনবা অমদি ঈশিংবু লৈরবদি ঙা নৎত্রগা ঙানু লোয়দুনা লৌমীগী ইনকম হেন্না পুথোক্লবা মচাক অমা ওইহন্নবা লায়রবা লৌমীশিং লৈরি।

অরোইবদা কোংবা ক্ষেত্রি গঙ্গাপাৎ লৌমী চাওখৎ লূপনা হায়জনীংবদি ইকায়খুম্নজরিবা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ ওইবিরিবনা নুংশিবীদুনা কুমজা ২০১৮দা গঙ্গাপাত্তা সট্টর অনী পানবীদুনা ঈশিং ঈচাও থোক্লকপা মতমদা লৌকোন অসি ইতৎ তত্তনা ঈশিং থুল্লম্বা অদুসু কোকহনবীখ্রে। লোয়নননা মায়কৈ অসোমগী ঈশিং চেনফমসু ওইরিবা থেল্লবা হৈগু থোং পাৎ মরীল অসি তৌনবা ইকায়খুম্নজরিবা সী এম বিরেন অমদি এগ্রিকলচর মিনিষ্টর, মরী লৈনবশিংদা পাৎ অসি তৌথোকপীনবা থাঙ্গৎচরিবা অসিদা মোরেল্লি অমদি ফিজিকেল্লি সপোর্ট তৌবীরবদি লৌমী লূপ অসিনা মতম খুদিংদা তৌবীমল কাউজরোই।

*অদোমগী - এম নরান*
*পব্লিসিটি ইন চার্জ*
*কোংবা ক্ষেত্রি গঙ্গাপাৎ লৌকোন লৌমী চাওখৎ লূপ*

## তায়োন্নবদা চৎলগদি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ৱাহংনা থল্লবা ঐখোয়গী লমদমগী চৎন-লোনচৎ কয়াদা উরুবা-তারুবা, থেংনরুবা থৌরমদা তত্তনা হংনবা ৱাহংনি, কনানা করিবু তৌরিবগে? মসিদা অচুম্বা পাউখুম পীরক্কদবা মীওইসি খরা তাঙগদ্রা খল্লি। চিনগা খূৎকা মান্নদবা, পূক্লিংগা ৱাখলগা তিন্নদবনা চৎনবী ওইরি। অরোনবা অফোংবা মা-মানা খল্লিবনা অচুম্বনি খন্নদবা কনাবু য়াওরিবগে? মীগা মীগা মীনুংশি লৈনবগী ৱাখল্লোন লৈনদবা লমদম অমা ওইদুনা অসুম্মক লৈখিগদ্রা? ঐনা শেল খরা পাল্লুবগীদমক, ঐগী ফত্তবা শাজৎ ফোঙদোরক্কনি হায়বগীদমক, ঐগী অনীংবা ৱাখল্লোন ফোঙদোকপীয়ু য়াদবগীদমক ইশাগী অরানবা ফোঙলকই হায়বগীদমক ঐনা মীবু অৱাবা পীনবা হোৎনবা হায়বসি ধর্ম্ম য়াওদবা, থম্মোয় পান্দবগী ৱাখল্লোননি খল্লি।

মীৎ-নাকোং শিংহল্লিবা ইরমগী অফ-ফত্ত পাউতাক্লিবা মীদিয়াগী থৌমীশিং, মীয়ামগী পুন্সি লম্বীগী চৈশু ওইরিবা, পুন্সি কয়াদা অৱাবা অমদি অকি অখং পীবা হায়বসি ইশানা ইশাদা পাপ অমদি লংশিল্লবনি খনবা য়াই। অদুনা নোংমদি শোয়দনা অৱাবা লাক্কদ্রা খঞ্জে। চাহৈদবা চিঞ্জাক চারু-থক্লুবদগী ডাক্তরদা নাদুনা লৈরুবদগী ডাক্তরগী পাউতাক থওইদনা অথিংবা পোৎলমশিং চারুবদা নাবা অমুক হঞ্জিল্লক্তুনা অৱাবা তারকপদা ইমুং-মনুংনা, ডাক্তরনা নিংথিনা য়েংবীদে হায়দুনা তাইনবনা চৎনবী ওইনরি। ইশানা চেকশিন্দবগীনি হায়নদে। অদুগা মশানা মপুন্সি তেন্দুনা মাগী লাইবক্তা শিয়ু হায়না তমদুনা লাক্লবা মীবু ডাক্তর, মাইবনা কনবা ঙম্বসু নত্তে, নঙদি অসুম্না শিয়ু হায়না পোকপদগী তল্লকখ্রবনি। অৱা চৈথেং খরদং ফনবা সেবা তৌবতনি, চেংজেলনা লোইদ্রগা লৈবতনি মপুগী নোংদমনি খন্থবা অসিসু অঙকপা ৱাখল্লোননি খল্লি।

নাকল অমরোমদা কোভিদ লাইচৎনা মীশি মীনা থোকপদগী খরদি শাফরক্লে। অদুবু নোংমগী অমদি তাদনা পোজিটিভ ওইবদি য়াওরি। তশেংনা কোকপদি নৎত্রি। অদুনা লাইচৎসিনা মমি শাল্লকপদা ঐখোয় খুন্নাইদদি থোইনা চেকশিন থৌরাং থৌশানরক্তবগুম তৌরি। মাস্ক উপ্পগী চাং ৱাংলম্বদগী য়াম্না হন্থরক্লি। মী অমগা মী অমগা দিষ্টেন্স লৈনদ্রে, মসিনা লাইবক থীবদগী অনাবা অমা হেক থেংনরুবদা ৱাগদৌরিবনি, কোভিদ ভেক্সিন পুথোরক্লে, কাপ্পা হৌরে হায়দুনসু ঐখোয় মীরাইবদি চুল্লোই নীংজৈ। ইশানা খঙনা চৎন-কাঙলোন খরখিৎ ঙাক্লা চৎতনদি, চেকশিন্দনদি অমুক হঞ্জিল্লকপদা হামু হামু তাদুনা লৈঙাক্তা নত্তনা ঐখোয় খুদিংমক ৱামিন্নগদৌরিবনি।

তম্বা ঙমদ্রবা পুন্সি খোঙচৎপু মতম খরদং চেকশিনবা হায়বসিনা ঐখোয়গী ইথৌ ওইরসি। নাকল অমদনা গাড়ী থৌরিবশিংনা চৎন-কাঙলোন ঙাক্তনা গাড়ী পংথৌ থৌনবা, ওটোদসু মী হেন্না পংতোং তোংশিনবা, মাস্ক উপ্পা-উপ্তবা কয়ানি। গোলাই লৈবা খঙদে, মী চিল্লি নাচুংদে গাড়ী থৌবশিংনা খূৎ নাম্মনা ফোন তৌবা, নাম্মনা ষ্টারিং পায়দুনা থৌনরিবা অসি লাইবক থীরবদি খুদোংথিনীংঙাইনি। মী শোকপদা নত্তনা গোলাই শুহৌদবদগী লম্বীদা খারিবা শম্বল, খুদম ওইনা কংলা পার্ককী শম্বল য়াওনা থেংলমদুনা তেকপা য়াওরি অদুবু শোয়বা হায়বসি তম্বা ঙম্বা নত্তে। তৌবতবু মী কুংলবা মফমদা গাড়ী কন্না থৌবা, ফোন তৌদুনা গাড়ী থৌবগী হৈনবী থাদোক্তুনা শোয়গদবা কয়াদগী কন্নবা হোৎনমিন্নসি।

চৈরকসিদা ট্রাফিক্কী কাঙলোন ইন্দবসু খুরক হাংদনা লৈরি। নংহৌররোই মতাগুম গাড়ী থৌনবা, খান্নীংবা মফমদা তুং-মাং য়েংদনা অপাম্বা মফমদা গাড়ী খামজিন্নবা লমদম অমসু ওইরি। মসি পূম্নমক ঐখোয় খুদিংনা খঙনরবা ঙাক্লি। তৌবতবু খঙনা খঙনা, উনা উনা তিঙ্খং মরক্তা লেনবা পুন্সি ওইদুনা মতমগী য়াকাদা হিংনরি। অদুগা অমরোমদা চীং-তমগী মায়কৈদা থোং মান্নবা মান্নদবগী ৱাকৎ, অৱাৎ অপানা থল্লবা লম্বী থোং নাতৈ চাদবগী পাউদম, য়েংহৈবা-য়েংহৈদবা থৌদোক, লৈত-লায়র, য়ূমলৈ-কৈরৈ অশোন অনাগী ফীভম পাউচে, টি ভিদা তত্তনা উৎলক্লি। অদুবু কোক লৈবা কনানা হোৎখিবা অঙ্কনা ফল তাবা তাদবদি খঙজদে। শোত্থবগী শোত্থবা ঙাক্তনা তং-তাবা লমদম হায়বদুদি ওইদ্রি খল্লি। চিনবান্দা লিপষ্টিক তৈরগা মায় তাবদা য়াওখিবগুম থোক্লি। হোয় অমবু ওইরো, অমবু ওইরো নঙ-ঐ-মা-মখোয়-ঐখোয় পূন্না লৈঙাক্তা ৱাখল তামিন্নদুনা অরৈ-লৈত, অপেন-পেন্দ তানরবদি ইরমদমগী চাওখৎনবা হোৎনবদা মতেং ওইগনি খঞ্জে। অদুনা অখঙবনা পীরিবা পাউতাক কয়াবু নাথৈদুনা ঐখোয়না তায়োন্নবরোমদা চৎলগদি লাই ফনা নীংলবসু, শেল ফনা কৎলবসু পুকচেল শেংদনা কৎলুবদি মহয় ফংলোই। পিরাংগা পিরোইননা লৈনা অমত্তং মোন শেংনা কৎপনা শোয়দনা মহয় ফংগনি খঞ্জে। ঐখোয়না তুংগী মীরোলগী লৈজবা কথোক্তুনা ঈং তপ্লবা লমদম অমা শেন্মমসি হায়জনীংই।

অদোমগী - তবানু খুরাইজম
ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।